হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, জুন ১১, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৭৬শুবা মশীং

# মতাং-মতম চাদবা অনলোক ১.০

## পুঙলোনগী মতুংইন্না জগোয় শাবা হৈতবগী মওংনি

কোভিদ-১৯গী লাইচৎকা মরী লৈননা ইন্দিয়াদা থৌওং অহুমখক য়াম্না ময়েক শেংনা উবা ফংলি। অহানবদা, হৌখিবা চয়োল অমরোম নুমিৎ খুদিংগী ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ১০,০০০ রিপোর্ট তৌরকপা থেংনখি। অনীশুবদা টেষ্ট তৌবগী চাং হেনগৎলক্লে অমসুং অহুমশুবদনা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং কা হেন্না য়ামখৎলক্লবসু অনলোক ১.০গী থৌরাং লৌখৎতুনা হীরম কয়াদা অথিংবা কোমথোক্লে। লৈবাক অয়াম্বদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং হস্থরক্লবা মতমদা লোকদাউন লৌথোক্লবসু ইনি দয়াদদি ওন্ন-তৈনবা থৌরাং লৌখৎপগী মওং অমা উবা ফংলি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা জোন্স হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটিগী রিপোর্টনা হায়, ইন্দিয়াদা মতাং-মতম চানা লোকদাউন তৌখিদে অমসুং কোভিদ-১৯গী কেস মশীং কা হেন্না য়ামখৎলক্লবা মতমদা মতাং চাদনা অথিংবা লৌথোক্লে। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী রেক্কমেন্দেশন মতুংইন্না নুমিৎ ১৪নি থংন-থংননা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ৫ য়ৌরক্ত্রবা মতমদা লোকদাউন লৌথোক্কদবনি। ইন্দিয়াগী ওইনা চাংচৎতা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ৮.৭৩ ওইরি। মে ৩১দগী জুন ৬ ফাওবদা ওইখিবা পোজিটিভ রেট চাদা ৭.৫নি। জুন ৭তদি চাদা ৮.২ ওইখি। জুন ৮দনা চাদা ৯.২ য়ৌরকখি। ইন্দিয়াদা টেষ্ট তৌবগী চাং হেনগৎলকপগা মপা চান্ননা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাংসু হেনগৎলকপনি। জুন ৯দা ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছর্স (আই সী এম আর) না ফোঙলকখিবা দেটা মতুংইন্না মীওই ১০০ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা মীওই ৭ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। পোজিটিভ ওইবগী চাং ৱাংলে হায়বা খঙলবসু লোকদাউনগী অথিংবা খরা কোমথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকখি। মার্চ ২৫দা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌখিবা মতমদা ইন্দিয়াগী অপূনবা কেস মশীং চা খরখক ওইখি। জুন ৮দা অপূনবা কেস লাক্ষ ২.৫৫ হেল্লবা মতমদনা লোকদাউনগী অথিংবা খরা কোমথোকপগী থৌরাং লৌখৎপা হৌখি। তশেংনা হায়রবদা ইন্দিয়ানা লৌখৎলিবা থৌরাং অসি ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা পীবা গাইদলাইনগী তাইওন্নবা মওংদনি হায়বা য়াই। দব্লিয়ু ঐচ ওগী রিপোর্ট অমনা হায়, ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি মমাঙ চহীগী নবেম্বর থা অদুৱাইদগী শন্দোরকপা হৌখিবনি হায়বগী খুদম ফংলে।

ফেব্রুৱারী থাদা অহানবা ওইনা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী কেস থেংনখিবা মতমদা পন্থবা তৌদনা লোকদাউন তৌরম্বা তারবদি শুপ্নগী নুমিৎ ১৪নি খক্তা ফীভম লাকশিনবা ঙম্লম্বা য়াই। মতম হেল্লগা য়াম্না থেঙনা মার্চ ২৫দগী লোকদাউন তৌখিবনা মীচম-মীয়ামদা অৱাবা পীবা অমসুং লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন শোকচিল্লকপা নত্তনা থোইদোকপা কান্নবা অমত্তা ফংবা ঙমখিদবনি। হায়দরবাদতা লৈবা সেন্টর ফোর সেল্যুলর এন্দ মোলিক্যুলর বাইওলোজিগী সাইন্টিষ্টশিংনা হায়, ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি মমাঙ চহীগী নবেম্বর থা হৌগৎলকপদা শন্দোরকপা হৌখিবনি হায়বগী খুদম ফংলে। থা খরা চোন্থরগা ফেব্রুৱারীদা কোভিদ-১৯গী অহানবা কেস থেংনখিবা তারবসু মতমদুদা ওথোরিটিশিংনা খুদক্তা লোকদাউন তৌরমগদবনি হায়রি। খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অমা শন্দোরকপা মতমদা ওথোরিটিশিংনা মরী লৈনবা ইপিদমিওলোজিষ্ট অমসুং প্রিভেন্টিভ মেদিসিনগী এক্সপর্টশিং তানহৌদবা মরম্না থৌরাং খুদিংমক্তা অশোয়বা য়াওরকপনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা মোত পীরি। হৌখিবনা হৌখ্রবসু মতাং অসিদা হৌজিক খন্নবা য়ারিবসি মতুং তারকপদা করি-করম্বা থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বদুনি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি মালেমগী মফম পূম্নমক্তা খুদোংথিনীংঙাই ওইবা থাক য়ৌনা শন্দোরকখিগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনিনা মরী লৈনবা অখঙ-অহৈশিং তানরগা মতিক চাবা থৌরাংশিং পন্থদনা লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। দব্লিয়ু ঐচ ওগী দিরেক্টর টেদ্রোস এধানোম ঘেব্রেসসনা হায়খি, য়ুরোপতা ফীভম খরা ফগৎলক্লবসু মালেমগী অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ খুদোংথিনীংঙাই ওইবা থাক য়ৌনা শন্দোরক্লে। থা অমা/অনীগী মনুংদা মালেমগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৫০ রোম কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা য়াই হায়রি। ফীভম অসিদা লৈঙাক্লা অনলোক ১.০গী থৌরাং লাউথোক্তুনা হীরম খরদা অথিংবা কোমথোক্লিবসি অচুম্বা খোঙথাং ওইগদৌরিবরা হায়বদু খন্থবা মতম ওইরে। লোকদাউন তৌগদবা মতমদা তৌহৌদ্রগা মতম থেঙনা লোকদাউন তৌখিবনা মীয়ামদা অৱাবা মায়োক্লহনবনি হায়নরিঙৈগী চৈরকসিদা অশোয়বা থৌরাং অমত্তা মতুং তারকপদা লৌখৎতনবা অখঙ-অহৈশিংগী মোত লৌরগা পুঙলোনগী মতুংইন্না জগোয় শাবা মথৌ তাই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### কোভিদ-১৯গী ক্বারন্টিন সেন্টরদা অকিবা

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা লোকদাউন লৈখিবা অমদি খুদোংচাদবা খরদগী মণিপুরদা থোকপা ঙমহৌদ্রবশিং হৌজিক-হৌজিক ইরমদম অসিদা লৈঙাক্লা থৌশিল কয়া পায়খৎপীদুনা লেপ্তুনা পুশিল্লক্লি। পুশিল্লকপা মশীংনদি য়ামখৎলকপা, ক্বারন্টিন সেন্টরনদি য়ামদবনা খুদোংচাদবা কয়া অমসু মায়োক্লরি। মপান্দগী লাকপা খুদিংমক য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১৪নিদি ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈহনবা ঙমগদৌরিব্রা?

মতাং অসিদা ক্বারন্টিন সেন্টর কয়াদা লৈরিবশিংগী পেন্দবগী ৱাকৎ, মফমশিং অসিদা অথিংবা থমখ্রবা ময়াই কাবা চিঙাক্কী পোৎলমশিং লোন্না পুশিল্লন্বশিং ফাবগী পাউ, চানবা চাক-এঙ্গাং অফবা পীদবগী ৱাকৎ অমদি মেটরিএল কয়া ৱাৎপগী ৱাকৎ নুংতিগী পাউচে অমদি টি ভি চেনেলশিংদা উরি অমদি তারি। মসি য়াম্না লাইবক থীবনি। লৈঙাক্লদি লায়না অসিবু থিংনবা কন্না হোৎনরি। অদুবু থৌদাং য়াওদবা খরগী ইস্যু খরদা অহোবা খরদি অদুমক লৈরি। ক্বারন্টিন সেন্টরদা চাননবা চিঙ্গাক সপ্লাই তৌবীরিবশিং কাঙলোন চুম্না তৌবীয়ু। দ্যুটি তাবীরিবা অমদি শেন্নবীরিবশিংনসু মীৎ-না শিংবীয়ু।

হৌজিক মণিপুরদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরিবসি মপান্দগী লাকপা অমদি ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবশিংদগী ওইবনা কোবিদ-১৯ পোজিটিভ কেস মশীং হেঙ্গৎলক্লবসু মীয়াম্না মীপাইনবা অমত্তা ফাওনদ্রি। অদুবু ক্বারন্টিন সেন্টরদগী লোন্না চেল্লম্বা, টেষ্ট রিজল্ট ফংদ্রিঙৈদা য়ূমদা য়ৌখ্রবা মতুং করিগুম্বা লাইবক থীবদগী পোজিটিভ ওইরম্বা তারবদি মী অমদগী অমদা মথং-মথং শন্দোরক্তুনা কোভিদ-১৯বু মায়থীবা পীবা ঙমখিদবসু য়াই। মীয়ামসু কুইরকপনরা নৎত্রগা লায়না অসিগী মরমদা খঙবা হেঙ্গৎলকপনরা চেকশিনবগী মমি অসুম-অসুম হস্থরক্লি। লম্বীদা চৎলিবশিং পুলিসপু কিবদগী লৌখৎপনা অয়াম্বা ওইরি অদুবু মীনা হায়নবা নাইদনা ইশা-ইশানা চেকশিনমীন্নসি, মীগী মরালদা থিবসু চুমলোই খঞ্জে।

*অদোমগী - মাইবম সোমেন*
*লাংমৈথেৎ ময়ায় লৈকায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট*

# মীওইবগী ধর্ম্ম, ক্রিয়েটিভিটি অমদি ইগো

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

আর্ট হায়বা সবজেক্ট অসি পামজরুবা মীশক অমা ওইবনা, মতম চূপ্পদা কোকসিদা ৱাহং কয়া হংদুনা লৈ। হংলুবা নত্তে অতোপ্পা কনাগুম্বা অমদা। হংজবনি ইথন্তা। পীগদৌরিবনি পাউখুমসু ঐহাক ইশা ইথন্তনা। মশানা হংজবা ৱাহং, মশানা পাউখুম পীজবা! পাউখুম অদু অচুম্বা পাউখুম ওইফম থোক্তে। হায়, কনাগুম্বনসু। রাইটর, পেইন্টর, কলাকার অমত্তনা ক্লেম তৌদে - মহাক্কী পাউখুমদুনা অরোইবনি।

পাকপা-চাউবা-লুবগী ঙমখৈ লৈতবা কলাগী তাইবঙসিদা চঙলক্লগা খঙলকই - পাউখুম লৈতবা ৱাহং কয়া অমসু লৈ। পাউখুম লৈতবা ৱাহং, লৈতববুদি হৌনদে। হংলিবা ৱাহং অদু লানবা অমা নৎত্রগা খুমগদৌরিবা নুপাদুগী লৌশিং ৱাৎপনা, মাগী মকোক অদুদা তূংশিল্লিবা ইনফোর্মেসন (নোলেজ) ষ্টোরেজদুদা য়াওদবনা খুম্বা ঙমদবা। অনীসিগী মরক্তা অমা ওইবননি।

অসুম্না, ৱাহং-পাউহং তৌদুনা, মোন্দ্রং শান্নবসিদা ৱাহং অমা থোরকই - আর্ট (কলা) হায়বসি মীওইবগী খূৎশেম (ক্রিয়েসন) নি হায়বা খঙনা-খঙনা 'ক্রিয়েটিব আর্ট' হায়বা মখল অমা অমুক পুথোরক্লিবা করিগীনো? ক্রিয়েটিব ওইদবা কলাকারবু লৈবরা? কলাকার অমা ওইরক্লবা হায়বসি, মঙোন্দা ক্রিয়েটিব ওইবা গুন য়াওরদুনা ওইরক্লিবনি। 'ক্রিয়েটিব ওইদবা কলাকারসু লৈ' - কনাগুম্বনা হায়বীরক্লবা, মহাক অদো 'কলাকার নত্তে' খন্দোকপীয়ু - মসিমত্তং হায়নীংই।

ৱারেং অসি ইগে খল্লকখিবা, ইন্টেল্লেকচ্যুঅল এক্সর্সাইজ অমা তৌগে খল্লগা নত্তে। ক্রিয়েটর, ক্রিয়েসন, ক্রিয়েটিভিটি ... ৱাহৈসিগী খল্লুবদা লাইমন কাঙলকখিবনি। ঐখোয় মীওইবগী, থৱায় পানবগী, ঈশিং-নুংশিৎ-উ-ৱাগী, থা-থৱান্মীচাক-নুংশিৎকী, মীৎনা উবা-নাকোংনা তাবা ময়ামসিগী ৱা, থৌরৈতবা কোকসিনা খন্দুনা শান্নরুঙৈ, থোক্লকখিবা ৱাখলনি - হু ক্রিয়েটেদ ইট? 'শেম্বীবা অমা য়াওদনা করিগুম্বা পোৎশক অমা মথন্তা ওইরক্তে' হায়বা ৱাখলসিদা থাজরুবনা, পাউখুম অমা শেম্লকই - 'পূম্নমক ঈশ্বরনা শেম্বনি'।

ৱাফম অসি হায়রুবা, থিওরি অসি পুথোক্লুবা নুমিত্তগী হৌরে - মালেমসিদা চরাংনবা, অমগা অমগা থাজনদবা, নুংশিনবা মাঙখিবা। অমনা হায়, 'ব্রহ্মানা শেম্বা, মশামক্লদি পোকঙমদবা তাঙলবা মীওইবা মপোকনি'। অমন'মুক হায়রকই 'সংসারসিদা করিমত্তা লৈত্রিঙৈ মহাক্তমক লৈরম্বা, অল্লাহ মাগী খূৎশেমনি'। ঐখোয়গীসু লৈ - তাইবঙ শেম্বা মপু অমা, লৈশেমলোনগী ৱারী শাংলবা। বেদ, বাইবল, কোরান - পুথোক্লরক্কনি, মাগী মাগী ৱারীদু অচুম্বনি হায়নবা।

ৱারীশিংদু লীজররোই। অমনা চুম্মী, অমনা লাল্লি হায়বা কম্মেন্ট'তুসু পীজরোই। ক্রিয়েটিবিটি, ক্রিয়েসন, ক্রিয়েটরগী ৱাখল খনবা হৈরকপদগী হৌখিবা লোইনাইদ্রবা ৱাথোক অমগী ৱারীদুনি লীজনীংলুবা। পাবীরিবা কনাগী থম্মোয়দা ইজরিবা/হায়জরিবা ৱাহৈ অসি তাশোন ওইনা থোক্লবসু করিগুম্বা ইরন্নাই/মরন্নাই ওইবা ৱাখলনি খন্দোকপীয়ু। খোয়খা লিনখা থাবীগনু।

ৱাহৈসি কনমল্লি হায়রক্কদ্রা! হায়দবা য়াদ্রবা ৱাহৈনি খন্না হায়জরিবনি ... 'মীওইবগী সিভিলাইজেসনগী ইতিহাসতা খ্বাইদই হেন্না লাইবক থীবা, মীওইবা খুন্নাইদা খ্বাইদই চাউবা অমাঙবা অমা থোকহনখিবা (ঙসিসু লেপ্তুনা থোকহল্লিবা) থৌদোকসি ধর্ম্ম (রিলিজন) হায়বা, ইন্সটিট্যুসন/ফেথ/ওর্গনাইজেসন ... করি হায়গদবনো হায়ফম খঙদবা অসি থোক্লকখিবা অদুননি'। মসি থোক্লকখিঙৈদগীনি - মীওইববু 'অচুম্বা' মশক খঙননবা হোৎনজরম্বদু থিংখিবা।

হিন্দুইজম, খৃষ্টিয়ানিতি, ইসলাম, বুদ্ধিজম, জৈনিজম, সিখিজম ... অসিনচিংবা 'ইজম' অসি মীওইবা খুন্নাইদা মরূ হুনখিঙৈদগী, মতুংদা পোক্লকপা মীওইবা খুদিংমক্তা খনহল্লকখি - ঐগী ধর্ম্ম অসিনা অতৈ পূম্নমক্তই পূমহেন হেনবনি। মীৎ পাঙনা-পাঙনা-উনা-উনা মীত্তাঙলবা মী অমা ওইহল্লকখি, মী খুদিংমক্তা পোকপদগী য়াওজরক্লবা 'ধর্ম্ম মশক খঙনবা শক্তি' অদু উবা ঙমহনখিদে, মশাবু মশক খঙহনখিদে। চাবদি চাবা, হিংবা হৈতবা জীব অমা ওইহল্লকখি। মশাবু মশক খঙজনবা অতোপ্পদা তাংজবা, মীগী ৱাহৈনা মশাগী মশক লেপচবা ওন্থোকপা মী অমা ওইহল্লকখি। অতোপ্পা কনাগুম্বা অমবু শকয়েং মিংশেল ওইহল্লগা মশাবু য়েংজবা তম্লকখি। অতোপ্পনা হায়বা ৱাদুনা মশাগী মত ওইরকখি। মখোয়দা য়াওরম্বা খন্থনবা মচাক্তু মাঙখ্রবনা, মসিমসু কাউথোকখি মদুদি 'অতোপ্পদা পাউতাক পীরিবা, পুন্সি করিনো তাকপীরিবা মশামকসু মশাগী পুন্সি মশক খঙদবনি'।

ধর্ম্মগী পাউখোল্লোয়শিংনা হায় - 'নঙগী মীৎ দরকার ওইদে, কৃষ্ণ-যিসস-মুহম্মদনা উখিবদু অচুম্বনি, মদুতমক য়েংগদবনি ... মানা তাকপা লম্বীদুতদা চৎকদবনি ... অতৈ অমা তৌগনু মখোয়না হায়রম্বা ৱাহৈশিংদুতদা থাজবা থম্মু' ...। ধর্ম্ম'না ঐখোয়দা পুন্সিবু এক্সপরিয়েন্স তৌনবা তাঞ্জা পীদে, অচুম্বা মশক খঙহন্দে, ইথোক্তুনা থনম্লবা, গীতা-বাইবল-কোরানগী ইথোক্লবা ৱাহৈশিংদুনা পুমচুম চুম্বা অচুম্বনি থাজহল্লি। ... 'ঐহাক তাইবঙ মপুনা থারকপা, মাগী অশেংবা পাউখোল্লোয়নি, তাইবঙ মীওইববু অৱাবদই কনবীনবা, পাপ পূম্বা কোকপীনবা তাইবঙসিদা থারকপনি'... অসুক মথোঙ হুক্তবা ৱাহৈসিবু থাজরিবা মীওইবা, কয়ামুক পঙখ্রবা মরোল থোকপা থৱায় পানবনো! ৱাখলসিনা ঐবু পোথাহন্দে।

অদু ওইরবদি, পুন্সি হায়বসি করিনো? ধর্ম্মগী ৱা লৌদনদি পুন্সি করম হিংগনি? মথক্তা ইজরিবা ষ্টেটমেন্টশিং অসিনা কাউন্টর ক্বেসন অমনি। লাইফ ইজ এ মিষ্টরি। পুন্সি হায়বসি করিনো খঙদ্রিবা অঙকপা অমনি। করিনো খঙদ্রিবা অঙকপা অমগী মরমদা অরোইবা ৱারোল কয়া থনল্লিবা! মখোয়সু অঙকপা অমনি। ৱারোলশিংদুবু থাজদুনা তুংইল্লুরিবা মীওইবা! হেন্না ঙক্লিবনা মখোয়নি।

অঙকপা অমা ঙকহন্দনবগী খ্বাইদই লায়বা পাম্বৈনি - মদুগী মরমদা করিমত্তা হেক খন্দবা। ইরল্লিবা ৱাহৈশিংদু মুন্না, লোইনা পাথোক্লগা 'কান্নবা ৱা-মক্তনি - দিজ আর ওল ননসেন্স' হায়না খন্দোক্লগা ইশামক্লা অমম্বদুদা থিরুবা ... ক্রিয়েটিব আর্ট অমগী অনৌবা আর্ট ফোর্ম অমা থিরুবদুগা মান্নবা থৌওং অমনি খন্দোকপা - পুন্সি মশক খঙনবগী, অনৌবা ধর্ম্ম অমা থিবগী কান্নবা এক্সর্সাইজ অমনি। ফোর্গেট ইভরিথিং ইন দ পাষ্ট - হৌখ্রবশিংদু লোইনা কাউথোক্লো - সাইন্স'না হৌজিক হায়রক্লে ... গোদ ইজ এ পার্টিকল। সাইন্স'না রিয়েলিটিনি, ধর্ম্মনা ফিক্সন'নি হায়রক্লেদনা হৌজিক্তা।

অদুবু, মীওইবগী খ্বাইদই চাউবা প্রোব্লেম অমনি - চূশিনখ্রবা নীংশিংবদু কাউথোকপা! নীংশিংবগী লামায়দা তারিবা মমিদুদি মীওইবগী খ্বাইদই তাঙবা লন'নি লৌজরিবা 'ইগো'দুগী হৌরকফমনি, করম্না হেক ঙমগনি! ধর্ম্ম (রিলিজন) অমদি লাই (গোদ) ঙসিদি মীওইবগী 'ইগো'গী শরুক অমা ওইখ্রবনি। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১২০

**উসম ধনঞ্জয়**

**ওক্টোবর ২৩, ২০০৯ :** মণিপুর লৈঙাক্লা থা অসিগী ২৩গী নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা মীহাৎপা পুথোকপা ঙমদবদগী হয়েং ওক্টোবর ২৩গী অহিং নোংয়াইদগী মথংগী নুমিৎ তাং ২৪গী অহিং নোংয়াই ফাওবা জে এ সী এগেনষ্ট দি ব্রুটেল কিলিং ওফ ডা. ঐচ বিনোদকুমারনা পুং ২৪গী জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখ্রে।

ডা. ঐচ বিনোদকুমারগী মীশি অসিদা পেন্দ্রবা মীয়াম্না ঙসি অয়ূক অঙনবদগী নেসনল হায়ৱে ৩৯গী মোইরাংখোম কৃষ্ণপ্রেমি ওইল পম্প মপাদগী শিংজমৈ চীংঙামথক মপা ফাওবা লম্বী থিংখি। অয়ূক পুং ৯ রোম তাবদা মণিপুর পুলিস লাক্তুনা হায়ৱেগী লম্বী নাকল অমা হাংহন্দুনা গাড়ীশিং চৎহনখি। লোয়ননা লম্বী থিংবা মীওই কয়া পুলিসনা তানখায়খি।

চৈরকসিদা, জে এ সীনা ঙসি মীহাৎ অসিগী মতাংদা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌখি। মতুংদা হোমগী থবকসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীদা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা দাবী অনী থমখি। দাবীশিং অদুদি - মী হাৎপা মীওই অদু ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা পুথোকউ। করিগুম্বা পুথোক্তবা তারবদি ঙসি অহিং নোংয়াইদগী মথংগী নুমিৎ তাং ২৪গী অহিং নোংয়াই ফাওবা মণিপুর পূম্বা পুং ২৪গী জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌগনি। মীহাৎ অসি শেল খরগীদমক হাৎপা মীহাৎনি। তোল্ল-তারবা মণিপুরগী মীচম মীয়াম অসি অসুম্না কয়াম কুইনা হাৎখিগদগে। অসিগুম্বা মীহাৎ অসি মণিপুর মীয়ামদা অমুক হন্না থোকহনবীগনু হায়বসিনি।

মেমোরেন্দম অদু পীশিল্লুরবা মতুংদা জে এ সীগী কনভেনর এ মেম্মানা হায়, হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর পূম্বগী জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিদা মীয়াম পূম্নমক্না শৌগৎপীয়ু। লোয়ননা অসিগুম্বা মীহাৎ অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌহন্দনবা লৈবাক মীয়াম পূন্না চঙশিনমিন্নসি হায়না আপিল তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি নুমিদাংৱাইরম ইমুং-মনুংগী অপাম্বা মতুংইন্না লৈখিদ্রবগী হকচাং লৌদুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে।

**ওক্টোবর ২৩, ২০০৯ :** দিভলপমেন্ট ওফ ট্রাইবেল এন্দ সেদ্যুল কাষ্ট দিপার্টমেন্টতা এ ঈ ও (এসিষ্টেন্ট এক্সটেন্সন ওফিসর) ওইবা নিংথৌজম চাউববু অথুবা মতমদা থাদোরক্লবা দাবী তৌরদুনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬তগী জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট দি কিদনেপ্পিং ওফ এন চাউবা সিংহনা উখ্রুল লম্বীদা বন্দ চথখ্রে।

থা অসিগী ১৪গী নুমিদাংদা শকখঙদবা খূৎলায় পায়বা মীওই খরনা ফাজিনখিবা য়ৌরবুং মনিং লৈকায়দা লৈবা নিংথৌজম চাউববু থাদোক্লবা দাবী তৌরদুনা উখ্রুল লম্বীদা পুং ৪৮গী বন্দ অমা চথগনি হায়না জে এ সীনা লাউথোকখিবনি।

ঙসি অয়ূক পুং ৬তগী হৌখিবা ইম্ফাল উখ্রুল লম্বীগী বন্দ অদুদা বন্দ শৌগৎপশিংনা শওম্লুং লম্লাই, য়ৌরবুংনচিংবগী লম্বীদা উ ফৈজিন্দুনা গাড়ী অচৎ-অওকশিং থিংখি। বন্দ শৌগৎপশিংনা লম্বীদা থৎতুনা গাড়ী অচৎ-অওকশিং হলহনখি। বন্দ অসিনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল উখ্রুল লম্বীদা চেনবা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীশিং থবক লেপখি। অনাবা অমদি ধর্ম্মগা মরী লৈনবশিংদদি বন্দ শৌগৎপশিংনা অপনবা পীখিদে হায়রি।

নিংথৌজম চাউববু শকখঙদবশিংনা ফাদুনা পুখিবগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীগী কো-কনভেনরনা পাউমীশিংদা হায়, চাউববু তেক্তা কায়দনা থাদোকপীরক্লবা ৱাকৎ মীফম ফম্বনচিংবা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাকপনি। অদুবু ঙসি নুমিৎ ১০নি রোম শুরবা ফাওবা থাদোক্লক্তবদগী মহাকপু অথুবা মতমদা থাদোকপীরক্লবা হায়দুনা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীদা পুং ৪৮গী বন্দ তৌনবা ফিরেপ লৌরকপনি হায়রি।

জে এ সীগী মীহুৎশিংনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা চাউবা ফাখিবগী মতাংদা মরীক চুম্বা পাউদম অমা চাউবনা থবক তৌরিবা দিপার্টমেন্ট অদুগী দিরেক্টরগী মনাক্তা চত্তুনা তমখি। অদুবু দিরেক্টরনা ওফিসতা শেলগী দিমান্দ তৌরকখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোরকখি। চাউবদি য়ূমদগী ফাখিবনি, ওফিসতগী ফাখিবা নত্তে। মরম অদুনা হীরম অসিদা মহাক্কী পাম্বৈ অমত্তা লৈতে হায়নসু দিরেক্টরনা ফোঙদোরকখি হায়রি।

চাউবা ফাখিবগী ৱাফম অসি লোকল এম এল এসু ওইরিবা মিনিষ্টর পি ঐচ পরিজাৎতসু খঙহনখ্রে। অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবা করিগুম্বা রেসপোন্স অমত্তা পীরকপা লৈত্রি হায়রি।

চাউববু অথুবা মতমদা থাদোকপীয়ু হায়না আপিল তৌরদুনা জে এ সীগী থৌপুবা অমনা হায়, করিগুম্বা চাউববু অথুবা মতমদা থাদোরক্ত্রবদি পুং ৪৮গী বন্দ অসিগী মথক্তা অহেনবা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিনগনি। লৈঙাক্লসু জে এ সীগী দিমান্দ অসি ফংনবা হোৎনবদা চপ চাবা থবক লৌখৎপীয়ু। নৎত্রবদি মমিণপুর পূম্বগী বন্দ য়াওনা হেন্না কনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা জে এ সীনা থবক পায়খৎলগনি হায়রি।

**ওক্টোবর ২৩, ২০০৯ :** জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ থৌদোক্তা থোকচোম ওংবী রবিনা অমসুং চুংখাম সঞ্জিৎ লৈখিদবা থা ৩ মপূং ফারকপগা লোয়ননা মখোয় অনীগী মফমদা ঙসি জে এ সী ফোর ব্রুটেল কিল্লিং ওফ থোকচোম ওংবী রবিনা দেবী লমশাং অমসুং জে এ সী এগেনষ্ট দি কিল্লিং ওফ চুংখাম সঞ্জিৎ খুরাই তিনসিদ রোদ ইম্ফাল ইষ্টনা পূন্না শীন্দুনা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী মফম ওইরিবা খ্বাইরম্বন্দ, ইম্ফালদা হৈকৎ-লৈকৎ তমখ্রে।

রবিনা অমসুং সঞ্জিৎ লৈখিদবা মফম ওইরিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্লবা মতুং খুরাই সাজোর লৈকায়দা লৈবা লৈখিদ্রবা সঞ্জিৎকী ময়ূমদা ইমুং-মনুং, জে এ সীগী মীহুৎশিং অমদি মীয়াম্না লৈখিদ্রবা রবিনা অমসুং সঞ্জিৎকী ফোটোদা হৈকৎ-লৈকৎ তমখি।

অপূনবা লূপকী জানেশ্বরি, মেমচা অমসুং লৈরিক্লা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইদুনা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমসু পাঙথোকখি। লোয়ননা জে এ সী অনীনা হান্না লৌখিবা ৱারেপ অদু হৌজিক ফাওবা হোংবা লৈত্রি হায়না মীফম অদুদা জে এ সীগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখি।

**ওক্টোবর ২৩, ২০০৯ :** ঙসি নুমিদাং পুং ৮.২৫ রোম তাবদা লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা কামেং য়েঙ্গাওবুং হায়না খঙনবা মফম অমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগা খূৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোক অমদা মীওই অনী শিরে হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওই অনীমক মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রি। মখোয়দগী পোইন্ট থ্রী আইট রিভোলভর ১, মরূ ৩, পোকখায়দ্রিবা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ ১ অমসুং অঙাংবা মচুগী য়ামাহা আর এক্স (এম এন ঈ-১৭০৯) অমা ফংই। হেন্দ গ্রেনেদ অদু ঙসি নুমিদাং পুং ১০.০৫ রোম তাবদা বোম এক্সপার্টনা মফম অদুমক্তদা থুগায়খ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি নুমিদাং পুং ৬.২০ রোম তাবদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকায়দা লৈবা য়ূম অমদা মশক খঙদবা খরনা গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বদা মীওই অনী অশোক অপন নংখি।

বোম অদু থোকচোম বুধচন্দ্র (৭১) কৌবা অমগী য়ূমদা লংশিল্লম্বনি। মহাক সেট্টলমেন্ট দিপার্টমেন্টতা সর্ভে ওফিসর ওইনা লৈরম্বনি হায়রি।

থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না, য়ামাহা মোটোর সাইকল অমদা লাকখিবা শকখঙদবা মীওই অনীগী মনুংদা অমনা বুধচন্দ্রগী থোঙ্গালদা চঙলক্লগা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিল্লমখি। গ্রেনেদ অদু শুমাং মতোন্দা পোকখায়খি হায়।

বোম পোকখায়বা অদুদা বুধচন্দ্রগী মচানুপা গৌড়শ্যাম (৩৫) অমসুং য়ূমলোন্নবদা লৈবা তখেলচংবম নরানগী মচানুপা সুনিল (২৫) গ্রেনেদ মচেৎনা পান্দুনা শোকখি। গৌড়শ্যামগী থবাক অমসুং পুক্তা শোকই। সুনিলগীনা ওইথংবা নারুমদা শোকই। মখোয় অনীমক রিমসতা পুখৎতুনা লায়কন্নখি হায়রি।

পোকখায়বা অদুদা য়ূমগী থোঙনাও, শুমাংদা খামদুনা থম্বা রোয়ল ইনফিল অমা অকায়-অতোয় থোকখি। ইমুং-মনুংদা কনাগুম্বা অমত্তনা শেলগী দিমান্দনচিংবা তৌরকপা লৈতে হায়রি।

**ওক্টোবর ২৩, ২০০৯ :** ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ক্বাক্তা শন্দোংদা কাঙলূপ অনী উংখৎনরকপনা মরম ওইদুনা বিষ্ণুপুরগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা মতম কক্তনা কর্ফিয়ু থল্লকপদু ঙসিসু লৌথোক্ত্রি। অদুম ওইনমক হৌজিক্কী ওইনদি মখা তানা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমত্তা থোক্ত্রি।

নাকপাক-নাকপাক তানদুনা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অদু মহম্মদ সলিম কৌবা নুপা অমনা ঈন চিংদুনা লৈবী নুপী অমদা মখূৎ শাংলুই হায়বা ৱাহৌ অমদগীনি হায়রি।

খূৎ থোক্লবা অদুদা তোংবম শ্যামকেশো (৪৫) অপোকপা মেরাজাও, লৈফম্না ক্বাক্তা শন্দোং শাবল মখা লৈকায় য়াম্না থীনা শোকপদগী শীজ হোস্পিটালদা অরুবা ফীভমদা লায়কন্নরি। ঈরাং অদুগী হৌরকফম ওইরিবা ক্বাক্তাদগী মহম্মদ সলিম (২৮) অপোকপা তোলেনসু চুড়াচান্দপুর হোস্পিটালদা লায়কন্নরি হায়রি।

ঈরাং অদুবু লাকশিন্নবগীদমক মফম অদুদা চঙশিল্লুবা পুলিস গাড়ীশিংদসু ময়াম চঙদুনা নূং থাজিল্লকপদগী অতেক-অকায় থোকখি।

ঈরাং অসি লাকশিন্নবা বিষ্ণুপুর পুলিসনা য়াম্না কন্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। থৌদোক অসি শন্তাইননবা অমদি হান্নগুম নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা মোইরাং এ সীগী এম এল এ পৃথিবীরাজ অমদি কুম্বী এ সীগী এম এল এ, এন মঙ্গি লোয়ননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার কে পানমৈ য়াওনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

শন্দোং জিলা পরিষদকী মেম্বর মুহম্মদ অব্দুল গশদনা ফোঙদোরকপদা শোক্লবশিং অসি ময়াম চঙদুনা লায়েংবগা লোয়ননা মরাল লৈবশিং পুথোক্তুনা আইনগী মতেং লৌরগা চৈরাক পীগনি হায়রি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।